ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯰꯱, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯵꯸ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, সেপ্টেম্বর ০১, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ১৫৮ শুবা মশীং

চাকথোং গ্যাসকী ৱাথোক

ইন্দিয়ন ওইল কোর্পোরেসনগী লুচিংবশিংদা ৱাকৎসি

মীয়াম্না শিজিন্নরিবা লিক্বিফাইদ পেট্রোলিয়ম গ্যাস (এল পি জি), মণিপুরদনা চাকথোং গ্যাস হায়রগসু খঙনবা মখলগী গ্যাস অসি ষ্টেট অসিগী ওইনদি ইন্দিয়ন ওইল কোর্পোরেসন (আই ও সী) না কন্ট্রোল তৌই। অসামগী করম্বা দিপোদগী মণিপুরদা চাকথোং গ্যাস পুশিল্লক্কদগে হায়বগী অয়াবসু আই ও সীনা পীবনি। মীয়াম্না সবসিদি য়াওরবা অমসুং সবসিদি য়াওদবদা ফংলিবা মমলসু আই ও সীনা লেপচবনি। পেট্রোলিয়ম প্রদক্টকী মনুং চনবা পোৎশক ওইবা মরম্না মখোয়গী ওইজবা ট্রান্সপোর্ট কন্ট্রেক্টরসু আই ও সীনা হাপচৈ। মসিদা মণিপুর লৈঙাক্না করিমত্তা খুৎ চঙনিঙাই মরম লৈতে। অদুবু ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না হৌজিক্কী মতমদা তঙাইফদবা পোৎলম ওইরবা চাকথোং গ্যাস ফংদ্রে হায়বগী ৱাকৎ লাক্লবদি লৈঙাক্না তৌবা ঙমদবা লৈতে। মসিমক ইকনমিক ব্লোকেদ মতম শাংনা চথরকপদা পেট্রোল নৎত্রগা দিজল নৎত্রগা এল পি জি মীয়ামদা ফংহনবা ঙমদবগী অৱাবা লাকপা মতমদা মণিপুর লৈঙাক্না আই ও সীগী থবক থৌরমশিং লৌশিল্লগা য়েংশিল্লি অমসুং লান্থোং শিন্দুনা মীয়ামদা ফংহল্লি। মণিপুরগী মীয়াম্না হৌজিক শিজিন্নরিবা চাকথোং গ্যাস অসি মখল অনীথোক্না খায়দোকই। মখল অমনা দোমেষ্টিক ওইনা শিজিন্নবা অদুগা অতোপ্পা মখল অমনা কম্মর্সিয়েল ওইনা শিজিন্নবনি। দোমেষ্টিক্কা কম্মর্সিয়েলগা চাকথোং গ্যাসকী সিলিন্দরসু চাওবা মান্নদে। কে জি মশিং চনবসু খেন্নে, মমলসু খেন্নে। হোটেলদা নৎত্রগা মীয়ামগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা শিজিন্নরিবা কম্মর্সিয়েল এল পি জিগী মমলদি সবসিদাইজ লৈতে। মসিদি দাইরেক্ট ওইনা লৈজগদবনি। অদুবু য়ুমদা শিজিন্নরিবা চাকথোং গ্যাস অসিদি চহী ১ গী মনুংদা সিলিন্দর ১২ দি অতাবা মমলদা ফংহনগদবনি। তৌবতদি গ্যাস য়াওরবা সিলিন্দর লৌবা লাকপদা চপ চাবা মমল পীরগা কোন্না মীওই অদুগী একাউন্টতা সবসিদিগী শেনফম অদু মথন্তা চঙজরকই। অদুবু মণিপুরদদি হৌজিক হৌজিক সবসিদাইজ ওইবা এল পি জিগী সিলিন্দর দিলরদগী লৌবদা পীখিবা মমল অদু অমুক হন্না মহাক্কী একাউন্টতা হল্লক্তবগী ৱাথোক য়াম্না লৈরে। হান্না একাউন্টতা হল্লক্লম্বা ময়াম অমসু হৌজিক্তি চঙলকখিদবা ময়াম অমা য়াওরে। কমদৌনা অসিগুম্বা ফীভম অমা ওইরক্লিবনো হায়বসি চিংননিঙাই য়াম্না লৈ। মথৌ য়াম্না চিন্নবনা মরম ওইরদুনা গ্যাস এজেন্সীশিং অদুগা কুপ্না ৱারী শানবসু ঙমদে। ৱারী শানরুরবসু মখোয়না অমা হায়রক্লগা মথংদা অমুক চৎপা তনবদগী মীয়াম্না সবসিদাইজগী শেনফম অদু মখোয়গী একাউন্টতা হল্লক্লরোইদবা ওইনা লৌনরে।

মণিপুর লৈঙাক্কী কঞ্জ্যুমর এফেয়র্স, ফূদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হন্দক্তা অনীরক হন্না মীয়াম্না চাকথোং গ্যাস ফংনদবগী অৱাবা অমসুং লোকেল মার্কেটতা আলুগুম্না এল পি জি য়োল্লে হায়বগী শাথিরবা চার্জ অমখক আই ও সীদা তৌই। মিনিষ্টরগী ৱাফম অসিদা আই ও সী অমসুং মরী লৈনরিবশিংনা চপ চানা শেংদোক্তবনা মরম ওইরদুনা অচুম্বা ওইরবোই লৌদবা ঙল্লক্তে। থাঙ্গৈশেংনমকসু আধার লিঙ্ক তৌহল্লবা, য়ুম অমদা গ্যাস সিলিন্দর ৫/৬ লৌবা য়ানবা চে চবুন-চবুন পায়রম্বদুসু ককথৎখ্রবা তুংসিদা লৈকায়-লৈকায়দা নারোন্দা এল পি জি য়োনবগী থৌদৌ অসি অঙকপা অমা ওইনা লৌদে। মরমদি মণিপুর হায়রিবা ষ্টেট অসি হুরানবগী লাইরৈপাক্লি হায়না মমাঙঙৌদগী হায়নসু লাক্লি। তশেংনমকসুনি শা-ষণ চঙদনবগীদমক্তদি নিংথিনা শম্বল খাজিনবা য়াই অদুবু মী ফত্তবগী লম্বীদি কনানসু থিংবা ঙমদে হায়বদুনি। হৌজিকসু এল পি জিগী সব-দিলর খরদি কঞ্জ্যুমরশিংদা মতম চানা চাকথোং গ্যাস ফংহনবগী মহুৎতা শেন্দোং হেন্না ফংহন্নবা নারোন্দা য়োন্থোক্লবগী লম্বী থিরগা লৈ। গ্যাস এজেন্সী অমনা কঞ্জ্যুমরশিংদা চাকথোং গ্যাস য়েন্থোকপগী পাউ অসি এজেন্সী অদুনা তৌজবগী মহুৎতা আই ও সীনা ওইনা তৌবীরগদি অহোবশিং অসি খরমখৈদি মেনখৎপা ঙমগনি। হৌজিক্তি চাকথোং গ্যাস এজেন্সী অদুদা গ্যাস য়াওরবা সিলিন্দর ময়াম পুরকখ্রে হায়বা খঙলবসু মখোয়না মরী লৈনবশিংদা য়েন্থোক্তে। করিগী য়েন্থোক্ত্রিবনো হায়না হংলুরগনা অনৌবা কন্নেক্সনগী পীরকপনি হায়জিল্লগা নারোন্দা অতাংবা মমলদা এল পি জি সিলিন্দরশিং য়োনবগী লল্লোন-ঈতিক তৌবগী মমি তাই। মতাং অসিদা পঙ্গনিংবা ৱাফমদি আই ও সীদগী করম্বা মতমদা এল পি জি সিলিন্দরশিং সব-দিলরদা পীরকখিবগে, মশিং কয়া পীরকখি, কনা কনাদা ফংহনখিবগে হায়না আই ও সীগী টিম অমনা থা ১ গী মনুংদা অমুক-অমুক্তং কনা খঙহল্লম্বা তৌদনা লাক্লগা থিগৎলগদি অরানবশিং অদু ফাবা ঙমগনি। অরানবা তৌরে খঙলবা এজেন্সীশিং অদুগী মথক্তা লোগী ওইবা থবক লৌখৎপদা আই ও সীগী থৌদাং য়াম্না চাওই। মখোয়না থবক তৌদ্রবনিনা ফিল্ডদা গ্যাস নারোন্দা হাইহৎপদসু মখোয় য়াওই হায়বা চার্জ অসি তৌরকপা তাবনি। মরম অদুনা আই ও সীদা হেন্না থৱায় য়াওশিলহন্নবা, মমিৎ-মনা শিংনা অমসুং মীয়ামগী খল্লগা থবক তৌহন্নবগীদমক্তা মণিপুর লৈঙাক্না আই ও সীগী মকোক থোংবা ওথোরিটিদা নৎত্রগা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা ৱাকৎপা চঙই। মদু নত্তনা আপিল খক্তা ওইরগদি মসিনা কৈদৌঙৈদসু মীংচৎ ফংবা ওইথোক্লোই হায়জনিংই।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৬

১। অরিবা মীতৈলোন ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু :
   (ক) খামলৌ (খ) নোইনু
২। "মেলৈ লৈস্না নুংজুম্বান/কদাম্বদি লৈনুংশি/লৈরাং লৈচল খঙদনা/মাঙগদবা পাম্মুইদা।" কবি চাউবনা হায়রম্বনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়যু।
৩। "ঐগী মরুপ কবি অমনা/ঐগী মরমদা হায়খি/মহাক অশাউবা কবি ওইরম্বদগী/উতোন ৱাতোন য়েংবা/নোংথক কবি ওইরক্লে।" নোংথক কবিনি হায়রিবসি কনাবুনো?
৪। "অরিবতবু পামজরম্বা/... পন্থৌ নঙগী কবিতানা/মশা খপ্না চবুল চবুল/ইমাঙসিদা পাইররি।" কবিয়ত্রী ভানুমতিনা হায়বনি। 'পন্থৌ' হায়রিসি কনাবুনো?
৫। 'মোমোন নোকহৌবী সিআম' কৌবা লমকোয় ৱারী লাইরিক অদুগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৫ গী পাউখুম অহুম চুম্না থাবীরকখিবশিংদি

১) সগোলশেম লল্লেবী চনু, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায় (৩)
২) *নামৈরাকপম নন্দিনি চনু, চীংঙামখা লিৱা মাইবম লৈকায়* (৩)

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৫৫ গী ৱিন্নর

নামৈরাকপম নন্দিনি চনু, চীংঙামখা লিৱা মাইবম লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবী)

লিটরেরি ক্যুইজ ৫৫ গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম সেপ্টেম্বর ০৩, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৫ গী পাউখুম

১। অরিবা মীতৈলোন ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু :
   (ক) পোংথৌ :- মপা-মপূ। (খ) লিনকোই :- পূক্নুং।
২। "মৈতে মমা ওইরিবী/মৈতৈলোন লাইরবী.../ভারত শঙ্গাই নাকথদা.../ফিদা নাইগুম তারিবী।" পরেংশিংসি 'ইরোল' কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোক্লকপনি। কবি কনানা ইরম্বনো? :- নবদ্বীপচন্দ্র।
৩। "ঐগী ধর্ম লৈতে/... হৌজিক্কী মিৎকুপ অসিতনা/অশেংবা অকক্লবনি/ঐ মীবু পূজা তৌজগে।" মীবু পুজা তৌজগে হায়রিবা কবি অসি কনানো?
   :- শ্রী বীরেন।
৪। "ফৎত্রবা নুপাশিংগী তমথিবা ঙাঙলবা ঈখেং ঐনা কয়াদা পেঞ্জখিবা।" পরেংসি 'শিঙ্গারৈগী লৈকাদা' কৌবা নোভেল অদুদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?
   :- মোইরাংথেম বরকন্যা।
৫। নোবেল ইবা যোদ্ধচন্দ্র সনসম অসি ৱারীমচা ইবা ওইনা শাফোঙলকপনি। মাগী ইহান হানবা ৱারীমচাগী লাইরিক্তুগী মমিং করি কৌবগে?
   :- থাবলগী কুন্দো পরেং।

চাক্লাম খোঙচৎ : মণিপুরগী মীয়াম সুপর ফাইন চেঙদা তাংজরি

চাক্লাম খোঙচৎকী নীংশিং থৌরম চহী খুদিংগী ওগষ্ট ২৭তা পাঙথোকপগুম কুমসিগীসু পাক-শন্না পাঙথোকখ্রে। চাক্লাম খোঙচৎকী খোঙচৎ অসি চহী ৫২নি শুখ্রে। তাইবঙ মীওইবা ওইরবদি মীয়াই চল্লে। অশেংবা কয়া লাকপা তাবনি। চাক্লাম খোঙচৎতা করি অহোংবা লাকপা উরে? মসিনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়ামদা করি অহোংবা পুরকপা ঙমখ্রবগে? গভর্ণমেন্ট অমদি লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না চহী ৫২গী মমাঙদা থোকখিবা চাক তাঙবগী অচৌবা ঈহৌ অদুদগী তুংগীদমক করি পাড়া তমখ্রে হংবা য়াবা ৱাহংনি।

তশেংনমক হায়রগদি পাড়াসি ইতম-তমদে হায়বা য়াই। ইতম-তমদে নত্তে শুক্তম্বু তমদে হায়বা য়াই। তমদ্রিবসি মরুওইনা গভর্ণমেন্টনি। হোয় মীয়ামসুনি, মহৈরোয় খুন্নাইসুনি। হৌখিবা থৌদোক্তুদগী পাড়া তমদ্রবা গভর্ণমেন্ট (হৌখিবসু, হৌজিকসু) পাড়া অদু নীংশিংহন্নবা হোৎনবা অমদি মথৌ তাখিবা কুইরে। চহী কয়াগী মমাঙদগী পাড়া অদু ফানবা নীংশিংহনবা চুম্লবনি। গভর্ণমেন্টতি পাড়া অদু নীংশিংলোই করিনা হায়ববু চাক তাঙবগী ঈহৌ অদুদা মীশি-মীনা য়াওখিবদু গভর্ণমেন্টকী নোংমৈ মরুননি। অদুনদি করম্না পাড়া অদু ফানীংগনি। হৌখিবা চহী ৫২ অসিদা লমদম অসিদা অহোংবা কয়া লাকখ্রে গভর্ণমেন্টবু ওইরো, মীয়ামগী পুন্সি মহিংদবু ওইরো, লম্বী-থোংদবু ওইরো। ইহোং-হোংবা ঙমদবা অমখক্তং হায়বা তারবদি মণিপুরদা চেঙ-চাক য়াওনা চানবা চিঙ্গাক্তা মীপাল তাংলকপা অসিনি। লমদম অসিগী চীঙ্গাক্কী পোৎথোক পুথোকপগী চাং য়াম্না হন্থরে। অমরোমদা চাক্লাম খোঙচৎনা লেপ্তুনা অসুম চৎলকপনা চহী ৫২ শুখ্রবনি। চৎলিবা খোঙচৎ অসিদি চীঙ্গাক্তা মীপাল তাংদনা লেমপানা পোৎথোক পুথোক্লবনি। করিনোমা কদায়দনো অহোবা অমা লৈরে। কুমজা ১৯৬৫ গী ওগষ্ট ২৭তা থোকখিবা চাক তাঙবগী ঈহৌ অদুদি চাক তাঙবা থোক্তনবা চেঙ মপাল লমদা পুথোকখিবা য়ারোই হায়বনি। শম্না হায়রবদা ঐখোয় চরা হেনবা পামদে। মপালদগী পুশিল্লকপা মীপাল তাংবসু পামদে হায়বনি। অমরোমদা অমুক হায়বা তারবসু মতমদুদা চীঙ্গাক্কী পোৎথোক অসি লমদমসিগী মীয়াম্না চাবা কোন্নজনবা পুথোক্লমই হায়বসিমদি য়াম্না শেংলে। মীপাল তাংনীংদবগী ঈহৌ অদু মীশি-মীনা য়াওনা হৌখ্রবসু ঙসিদি মণিপুরদা মপাল লমদগী চীঙ্গাক পুশিল্লক্তুবদি চরা হেনবগী ফীভদা লৈরে। য়েংবিয়ু মপাল লমদগী মণিপুরদা পুশিল্লক্লিবা চেঙ, হৱাই, এঞ্জাং-নাপিশিং অসি য়ামখ্রবজাৎনি। ঐখোয় পূম্নমক চাকখুম মুৎতনবা লৈবমক্তনি। অদুবু কনানসু নীংশিংদে ঐখোয়না চারিবসি মপালদগী পুশিল্লকপনি অমদি মমল তাঙনা লৈরিবনি হায়বসি। মসিমসু খন্থদে মদুদি মপালদগী পুশিল্লক্লিবা চেঙ, এঞ্জাং-নাপিশিং অসি মণিপুরদা থাদুনা লেম-পানা চারল্লিবনি অমদি ঙসিসু ক্যামগৈ লৈহাও লৈবা লমদা থাবদা মরাং কায়না অহোংবা মমলদা ফংগনি হায়বসি।

ঙসিদি মণিপুরগী মীয়াম মপাল লমদগী পুশিল্লকপা সুপর ফাইন চেঙ চারে। মসিদা মীপাল তাংলে। চেঙ ফংনদবগী ৱাথোক ওইনরে। য়েংবিয়ু খুদম হায়ববু চেঙ য়েল্লি/য়েন্দে হায়বগী ৱাথোক ওইনরে। সুপর ফাইনগী চেঙ অঙন্বশিংনা লায়রবশিংদা য়েন্থোক্কদবদু নাকল অমরোমদা থৈদোকখ্রে হায়বগী ৱাকৎ কয়ামুক লৈরে। গভর্ণমেন্টনা থম্বা ফেয়ার প্রাইজ সোপশিংদা পীগদবা চেঙশিংদা মণিপুর মীয়ামগী হিংবগী হক লৈবগুম তৌশিল্লক্লে। মণিপুরগা মপাল লমশিংগা শম্নহল্লিবা নেসনল হায়ৱে অনীসিদা গাড়ী চৎপা য়াদবা মতমদা মণিপুরদা চেঙ পুশিল্লকপা লেপখ্রে অমদি মণিপুর মীয়ামগী চাননবা চেঙ মরাং কায়না গোদাউন্দা লৈরি হায়বনচিংবা পাউনা মরুওইবা পাউ ওইনরক্লি। অমরোমদা পাউ অসি কয়া মরুওইদনা লৌনরম্বা য়াই মীওই অয়াম্বনা। অদুবু পাউ অসিদি য়াম্না মরুওইরে মরমদি মণিপুর মীয়ামগী নোংমগী চাক চাক্লুক অনী হায়রিবা পাউ অসিদা য়াওরি। অমরোমদা পাউ অসিমদি মীয়াম্না তানদে মরুওইবা পাউ ওইনা হায়বদি মপালদগী চেঙ পুশিল্লকপা ঙমদ্রবসু ইশাগী লৌবুক্তা পুথোকচবা মণিপুরগী চেঙনা থা অনী নৎত্রগা অহুমদি চাবা কোন্নখিনি হায়দুনা। মণিপুরগী চেঙগী পাউদি শুক্তাবু তাখিদ্রে। পূম্নমক অসি কুমজা ১৯৬৫ গী ওগষ্ট ২৭তগী ঙসি ফাওবা চৎলক্লিবা চাক্লাম খোঙচৎকা য়াম্না মরী লৈনরক্লি। খোঙচৎ চৎপদি লেপ্তে অদুবু মণিপুরদা চেঙ ৱাৎপা, মীপাল তাংবা নোংমা নোংমগী হেঞ্জিল্লক্লি।

মতাং অসি য়ৌরবদি মহৈরোয়শিংনা মখোয়গী পোরমদা অহোংবা খরা পুরকপা য়ারে হায়না খল্লি। চাক্লাম খোঙচৎ চৎপগা লোয়ননা মণিপুর গভর্ণমেন্টতা চেঙগী পোথোক হেঙ্গৎনবা অমদি এঞ্জাং-নাপিগী পোথোক হেঙ্গৎনবা চুনবা থবক লৌখৎনবা তক্লবা য়াম্না মথৌ তারে হায়না খল্লি। চুম্নখক্কী ৱাহৈ ওইনা গভর্ণমেন্টতা হায়বা নত্তবদা করিগুম্বা খরদি চঙশিনবা ফরে। মহৈরোয়শিংদা চাউরবা থবক অসি তৌনবা লোয়না ইন্থোকপদি নত্তে। চাক্লাম খোঙচৎ চহী খুদিংগী চৎপনিনা মসিগা লোয়ননা মহয় ফংগদবা খোঙজং অদু অসুম্না চঙশিনবা য়াই হায়না নীংশিংবখক্তনি। লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক্তা লৈরিবা লন্নাই লূপশিংনসু লৌবুক কন্নবা, চেঙগী, এঞ্জাং-নাপিগী পোথোক হেনগৎনবা হোৎনদুনা লৈরি। পোথোক হেনগৎহল্লু, লৌবুক কল্লুখক চীনদা গভর্ণমেন্টতা হায়বখক্তনা থবক অসিদি ওইররোই। হায়গদৌরিবা লূপশিং/মীয়ামসু হীরম অসিগী মতাংদা মরীক চুম্না খঙবা তাই। মদু নৎত্রগদি থবক অসি মায় পাক্লোই। শম্না হায়রবদা মণিপুরদা পুথোক্লিবা চহীগী ওইবা চেঙগী পোথোক অসি মেত্রিক টন কয়া ওইরি, এঞ্জাং-নাপিগী পোথোক্না কয়ানো অমদি হৱাই-চেঙৱাইগী পোথোক্না কয়া ওইরি হায়বনচিংবা খঙবা মথৌ তারি। মসিগী দেটা অসি কদায়দগী ফংগনি হায়বসিসু খন্থবা মথৌ তাই। হৌজিক হৌজিক লৌ উদুনা পোথোক পুথোকপা য়াবা লৌবুক্কী পাক চাউবসিনা কয়া লৈরি (চীং-তম) হায়বসি খঙবা য়াম্না মথৌ তারি। হায়রিবা মরুওইবা ৱাফমশিং অসি খঙদনা চীঙ্গাক্তা মীপাল তাংলে মরম অদুনা চীঙ্গাক্কী পোথোক হেনগনবা গভর্ণমেন্টতা চীন্না হায়দুনা লৈবনা ৱাথোক অসি লোইশিনগনি হায়বা থাজদে।

মণিপুরদা চেঙ, হৱাই অমদি এঞ্জাং নাপিগী পোথোক হন্থরকপা হায়বসি লৌমীনা লৌ উনীংবা ফাওদ্রে হায়বনি। লৌ উবদা শেন্দোং লৈত্রে অমদি পাঙ্গল ৱারগতা তোক্লে হায়বনি। অমরোমদা অমুকসু লৌউবা মী লাইরিক হৈতবা ষণগা মরুপ ওইদুনা লৈবা অপঙবা মীনি হায়নসু লৌনরিবনি। অদুনদি লৌ উনীংলক্তবগী মরম অদু থিদোক্তুনা খঙদোকপা তাই। চাক্লাম খোঙচৎ চৎন-চৎনা মহৈরোয়শিংনা এগ্রিকলচর, হোর্টিকলচর অমদি মাইনর এরিগেসন দিপার্টমেন্টশিংগী মরুওইবা ফম্নাইবশিংগা ফম্মিন্নদুনা ইংনা চিক্লা চীঙ্গাক্কী পোথোক হেনগৎনবা ৱা তানবা চুম্মী খল্লি। মখোয়গী ৱা তাদনা করি ফীভমদা মণিপুর অসিদা চীঙ্গাক পুথোকপগী অহোবা অদু লৈরি হায়বদু খঙবা ঙমগনি। শম্না হায়রবদা হীরম অসিগী মতাংদা করিগুম্বা অশোয়বা খরদি লৈরে। দিপার্টমেন্টশিং অসিনা তৌবা ঙম্বনা করিনো, তৌগদবা থবক্লা করিনো, মখোয়না পায়খৎকদবা থবকশিং গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদা পন্দুনা লৈরিবনা করিনো হায়বনচিংবা খঙদোকপা য়াম্না মরু ওই। লৌমীনা লৌ উনীংবা ফাওরক্তুবা হায়বসি মরম য়াম্না লৈরবনি। মরম অদুনা মায়কৈ মরিদা লৈরিবা লৌমীশিং হকথেংননা উন্দুনা মখোয়না লৌ উবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদু খঙদোকপা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমদি কান্নবা থবক অমনি। মায়কৈ অনী অসি খঙলবা মতুংদা মহৈরোয় লূপশিং অমদি অতৈ লন্নাই লূপশিংনা লৌউ-শিংউবদা য়াম্না খঙ হৈরবা মীওইশিংগা তানরগা তৌগদবা থবক্কী রিপোর্ট অমা শেমদুনা মরী লৈনবা এগ্রিকলচর, হোর্টিকলচর অমদি মাইনর এরিগেসনগী পীশিল্লগদি য়াম্না কান্নগনি খল্লি। মিনিষ্টর অহুম অসিগসু ফম্মিন্নদুনা ইংনা চিক্লা ৱারী শানবা হায়বসি তঙাইফদ্দবা অমনি।

চাক্লাম খোঙচৎসু কুম খুদিংগী চৎসি। অদুগা মদুদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী ৱারী পরিংসু নীংশিংসি। মদুগী মথক্তা থৌদোক্তুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদসু ইকায়খুম্নবসু উৎসি। মদুগা লোয়না লোয়ননা মণিপুরদা চীঙ্গাক্কী পোৎথোক হেনগৎনবা গভর্ণমেন্টকা ফম্মিন্নদুনা ৱা তানবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি খল্লি। ঙসি চাক্লাম খোঙচৎ চৎলগা মথং চহীগী অমুক লাকপা ঙাইবদুনদি মণিপুরদা চীঙ্গাক্কী পোৎথোক হেনগৎলক্কদবা লৈতে হায়না খল্লি। চাক্লাম খোঙচৎ চৎলবা মতুংদা চীঙ্গাক্কী পোৎথোক হেনগৎনবগী খোঙজং পান্দম ফংদ্রিবা ফাওবা চঙশিনবা তাই। মহৈরোয়শিংগী লূপ অমদি লন্নাই অতৈ লূপশিংনা মায়কৈ অসোমদা থবক তৌরোই হায়রবসু থোইদোক্লা কায়দে। চাক্লাম খোঙচৎ চৎপা লূপ অমদি লৌমী লূপ কয়ানা চীঙ্গাক্তা মীপাল তাংবগী অৱাবদু কোকথক্তা থাঙ্গৎতুনা মীয়ামগীদক চেন-চোঙবদুদা করিগুম্বা ৱাফম খরা ফোঙদোকসি। গভর্ণমেন্টনা তৌরক্কনি হায়দুনা ঙাইদুনা লৈরবদি মীপাল অদুম তাংখিনি। মসি হৌখিবা গভর্ণমেন্টশিংগী থৌওংশিং অদুনা হায়বনি।

অওনবা মালেম

সৌবাম তোম্বা লুৱাং

মমা-মপা ওইবশিংগী ৱাখল্লোনশিং হোংবগী মথৌ তারকই

মতম মতমগী ৱাফম

সেঞ্জম দেবেন

লমদমসিদা মহৈরোয়শিংগী মমা-মপা ওইরিবা ঐখোয়গী ৱাখল্লোন, মতমগী মতুংইন্না অহোংবা খরা লাকহনবা মথৌ তাই। মণিপুরদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংগী মমা-মপা ওইরিবা কাঙবুশিং অয়াম্বনা মচাশিংবু নমদুনা তুয়েল্ভ ক্লাস ফাওবা থিন্দোক-থিঞ্জিন তৌদুনা ট্যুসন চৎহনবা অমসুং তুয়েল্ভ ইগজামদা পার্সেন্টেজ খরা ৱাংনা মার্ক ফংনবা হোৎনবা উরি। তুয়েল্ভ ইগজাম মতুংদা মচাশিংবু অমুক প্রাইভেট কোচিং নৎত্রগা ট্যুসন সেন্তর অমমমদা মিং চনশিন্দুনা শুপ্নগী মেদিকেল এন্ট্রান্স টেষ্ট নৎত্রগা এঞ্জিনিয়ারিং এন্ট্রান্স টেষ্ট খক্তবু মায় পাক্লবা হোৎনহনবগী চৎনবীশিং লৈ। তঙাইফদনা মসিদা মায় পাকপা ঙল্লক্ত্রগনা মরন্নাই ওইনা, শেঞ্জাউ কয়ামরুম তিংদুনা লন্নাই মেদিকেল কোলেজ নৎত্রগা এঞ্জিনিয়ারিং কোলেজ অমদা মিং চন্দুনা মচাশিংবু নমদুনা ডোক্তর নৎত্রগা এঞ্জিনিয়র হায়বা শিনফমসি ওইবা ফংনবা হোৎনৈ। চৎনবী অসি লমদমসিদা য়াম্না ৱাংনা চৎনরি। ফীভমশিংসিদগী খঙবা ঙম্মী, মণিপুরদা মহৈরোয়শিংগী পেরেন্টশিং অয়াম্বনা মচাশিংবু ডোক্তর নৎত্রগা এঞ্জিনিয়র অমমম খক ওইহন্নবগী মঙলান খক্তমক মঙনৈ। থৌদৌসি তশেংনা চুল্লিবা মওং অমরা হায়বদু অমুক্তং নৈনদুনা য়েংমিন্নবা য়াই।

মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ত্রেন (মতমসিগী খোঙচৎ) সিদা, মণিপুরদা লৈরিবা পেরেন্টস অয়াম্বনা অমত্তা ওইনা এইম তৌনরিবা, মচাশিংবু ডোক্তর নৎত্রগা এঞ্জিনিয়র অমমম ওইহন্নবা হায়বসিগী পান্দম মখাদা, শোয়দনমক্কী মণিপুরদা টোপ্পর গ্রুপকী মহৈরোয়শিং অয়াম্বনা ডোক্তর নৎত্রগা এঞ্জিনিয়রশিং ওইরকপা য়াই। ওইসু ওইনরক্লি। থৌদৌসি মমা-মপা ওইরিবশিংদুগী স্পিসিএল টাক্সশিংদুগী মহয়নি। চুম্মী, য়াম্না চুম্মী, শুপ্নদগী মিদিয়ম ক্লাসতা ময়ায় ওইরপ ওইনা মহৈ-মশীন তন্বদা মথ্বায় য়াওজরকপা অমসুং ফজরকপা অঙাংশিংদুগীদমক্তি, পেরেন্টশিংনা থম্নরিবা এইমসিমক অসুক্কী মতিক চুম্মী। তৌইগুম্বসুং, ফার্ষ্ট ক্লাস (টোপ্পর গ্রুপকী) থাক্তা মহৈ-মশিন্দা মথ্বায় য়াওজরিবা অমসুং ফজরিবা অঙাংশিংদুগী তুংগী পুন্সিগীদমক্তি, ঐখোয়না মখোয়বু নমদুনা, শুপ্নগী ডোক্তর নৎত্রগা এঞ্জিনিয়র (লৈঙাক্কী থাক্তা গ্রুপ বি, সেকেন্দ ক্লাসকী ওফিসর অমখক্কী থাক ফাওবদমক ওইবা) কেরিয়রশিংসিদা লোইশিনহন্নবা হোৎনবীবদি চুমগনি নীংদে। ষ্টেটসিগী ওইনা টোপ্পর ওইনা হৌরকখিবা মহৈরোয়শিং পূম্নমক, অসুম্না ডোক্তর নৎত্রগা এঞ্জিনিয়রশিং ফাওবদমক ওইরগা তোক্লখ্রবদি করম্বা গ্রুপকী মহৈরোয়শিংনা মণিপুরদা ষ্টেটকী অমদি ইন্দিয়াগী অৱাংবা থাক্কী সিভিল সার্ভিসশিংসিগী ইগজামশিং থাহৌগনি? টোপ্পরশিংগী মথংদা লৈবা, মিদ্দল ক্লাস নৎত্রগা সেকেন্দ ক্লাস গ্রুপকী অঙাংশিংসিনা মণিপুরদা সিভিল সার্ভিসকী ইগজামশিং থাবা মতারকই। লুরিবদি, সিভিল সার্ভিসকী থবকশিংসি দাইরেক্ট গ্রুপ-এ কেটাগোরিগী পোষ্টশিং ঙাক্তা ওই। গ্রুপ-এ কেটাগোরিগী ওফিসরশিংনা সেক্রেটেরিএট অমদি সেক্রেটেরিএটকী থাক্তা লৈবা সবোর্দিনেট সার্ভিসশিং পায়রক্কনি। মতমদুদা য়াম্না ঙক্লিংঙাই ওইবা মওংদা, মমাঙদা মেদিকেল অমসুং এঞ্জিনিয়ারিংশিং তমখিবা, মহৈ-মশিন্দা ফার্ষ্ট ক্লাস টোপ্পরশিং ওইখিবা, ডোক্তর অমসুং এঞ্জিনিয়র খুদিংমক্কী পোষ্টশিং গ্রুপ-এ কেটাগোরিগী কাঙবুশিংদুনা হাপ্লক্কনি অমসুং মখোয়গী মথক্তা থাক য়াম্না খেন্ননা এদমিনিষ্ট্রেটরশিং অমদি হেদ ওফ ওফিসশিং/দিপার্টমেন্টশিং ওইদুনা ফম্লক্কনি। ফীভমসিমক চুম্লবনি। ফীভমসিদা, মণিপুরদা মহৈরোয়শিংগী মমা-মপাশিং ওইরিবা ঐখোয়না, মহৈ-মশিন্দা মাঙজিল থাজরকপা অঙাংশিংবু শুপ্নগী ডোক্তর নৎত্রগা এঞ্জিনিয়র অমমম খক ওইহল্লগা তোকহন্নবগী মঙলানশিংতমক মঙনবা চুল্লিবরা? থৌদৌসি মণিপুরগী মমা-মপা (পেরেন্টস) শিং ওইরিবা ঐখোয়না ইচাশিংগীদমক, তুংগী ভিজন্দা শুপ্নগী ডোক্তর নৎত্রগা এঞ্জিনিয়র অমদগী হেন্না উবা ঙমদে অমসুং ঐখোয়গী মখা তাবা ভিজন অমা ফাওবসু লৈতে হায়বদু য়াম্না ময়েক শেংনা তাকত্রিবরা? ঐখোয়গী মখা তাবা ভিজনশিং তশেংনমক্কীসু লৈতবগুম তৌরি। মণিপুরদা লৈরিবা মমা-মপা ওইরিবা ঐখোয়সি ইচাশিংবু শুপ্নগী গ্রুপ বি, সেকেন্দ ক্লাস থাক্কী ওফিসরশিংদগী হেন্না খক, মথক থোংবদা লৈখিবা, গ্রুপ এ (ফার্ষ্ট ক্লাস) থাক্কী ওফিসরশিং ওইহন্নবা, কেরিয়র শেমগৎপগী ৱাখল্লোন ইফাও-ফাওনদবগুম উরি।

মথক্তা পঙ্গখ্রিবসিদগী হেন্না শাথিবা মণিপুরগী থৌদৌ অমসু ইরমদমসিদা য়াম্না তংদু-লৈতানা চৎনরি। মীয়াম্নসু শোয়দনা অদুম্মক খঙবীরমগনি খল্লি। মণিপুরদা, মহৈ-মশিন্দা ফার্ষ্ট ক্লাস গ্রুপতা তারকখিবা, টোপ্পর ক্লাসকী মহৈরোয়শিং চল্লকখ্রবা অঙাংশিংনা শোয়দনমক্কী ডোক্তর-এঞ্জিনিয়রশিং ওইরক্কনি, সেকেন্দ ক্লাস হায়বদি মিদ্দল ক্লাস থাক্কী অঙাংশিংনা সিভিল সার্ভিসকী ইগজামশিং থাদুনা আই এ এস অমদি এম সী এসশিং মখোয়গী মরক্তগী ফাওরক্কনি। অদুগা অমুক্তা থার্দ নৎত্রগা অহুমশুবা কাললুপ্তা লৈহৌবা মহৈরোয়শিংগী মরক্তগী অয়াম্বনা ইলেক্সনশিংদা লেপ্লক্কনি অমসুং মখোয়না লৈপাকসিগী এম এল এ অমসুং মিনিষ্টরশিং ওইরক্কনি। এম এল এ, মিনিষ্টরশিংগী মখাদা, লৈপাকসিগী আই এ এস ওফিসরশিং অমদি ডোক্তর, এঞ্জিনিয়রশিং খুদিংমক্না মথৌ তৌই হায়বসিসু অচুম্বনি। মসিনি ঐখোয়গী লমদমসিদা চৎনরিবসি। তশেংনা হায়রবদা, লমদমসিগী চৎনবীসি, তাইওন্নবগী থৌদৌ অমদি অদুম্মক, মতম পূম্নমক্তা ইওইদা ওইদুনা লৈবগুম তৌরি। অদুম ওইনমক এম এল এ, মিনিষ্টরশিং হায়বসিমক্তি, মীয়ামগী মতিংনা লাইবক লেপচরকপা কাঙবুশিংনি। মখোয়দা এম এল এ লেপ্নবগী থোয়দোকপা ক্বালিফিকেসনশিং লৈতে, শুপ্নতগী মীয়াম্না য়াবিরগা অমসুং মখোয়বু পামদুনা ভোটকী সিলশিং নম্বীরল্লগদং লোইরে। মসিদি তোঙানবা থৌওং অমনি। তৌইগুম্বসুং, মণিপুরগী পেরেন্টশিং অয়াম্বনা মচা ওইবশিংবু শুপ্নগী ডোক্তর-এঞ্জিনিয়রশিংখক্তমক ওইহন্নবগীদমক, অচৌবা মঙলানশিংগা লোয়ননা মচাশিংবু ২৪x৭, তুয়েল্ভ ক্লাস ফাওবখক মেক্সিমম লেবরশিং থাদনদুনা হোৎননরিবসিদি অচুম্বা থৌদৌনি হায়নীংদে। লেবর থাদবীবগী থাদবীবা, ৱারবসু ৱানা, গ্রেজুয়েট লেভেল অমদি মাষ্টর লেভেল ফাওবদং লেবর থাদবীরগা অফবা অঙাংশিংবু ষ্টেট সিভিল সার্ভিস অমদি ইন্দিয়ন সিভিল সার্ভিসশিং থাহন্নবগী থাক ফাওবা হোৎনবীবা করি কায়? অসুম্না হোৎননরবদি, লমদমসিগী মহৈরোয়শিংনা ইন্দিয়ন সিভিল সার্ভিস ফাওনরকপগী চাংসু অসুক্কী মতিক ৱাংখৎলক্কনি। ঐখোয়গী ফীভম ঐখোয় ইশানা শেমজফম থোকই। নত্তনা, মপান লমগী মীওই কনানসু ঐখোয়বু খক, অৱাংবা থাক্কী কেটাগোরিশিংগীদমক খুদাং পায়দুনা অমসুং শাগন লাক্তুনা চিংখৎপীররোই।

অসুম্না মণিপুরদা মথক-মখা ওন্নবগী পান্দমদা ঐখোয়গী লমদমসিগী পেরেন্টশিংনা মচাশিংবু লমজিংবীবগী থৌদৌ য়াম্না ময়েক শেংনা উনরি। থৌদৌসিগী মহয় ওইনা, মণিপুরদা আই এ এস ওফিসরগী থাক্তা থবক তৌরিবা মীওইশিংগী মশীং মীতৈ হায়বা তম্পাক্লমগী কাঙলুপসিগী ওইনদি অসুক্কী মতিক লিক্লি। চীংগী ইচিন ইনাওশিংগীনা হায়না-হায়না, ক্বোটা হায়বা অমা লৈবনিনা খরদংদা ওইরবসু শাফরি, তঙাইফদনা মশীংমক ৱাৎত্রি। মণিপুরদা মপান লমদগী লাকপা আই এ এস ওফিসরশিংনা মণিপুরগীদমক এদমিনিষ্ট্রেসন পায়বিরবা হায়বসি, চেকশিল্লবা মতমদদি, মতম অমদা ইন্দিয়ানা বৃটেনগী মখাদা লৈরিঙৈদা, বৃটেনগী দারোগাশিংনা ইন্দিয়াগী এদমিনিষ্ট্রেসন পায়বিখিবশিংদুগা থোয়না খেন্নবা লৈরম্লোই খন্নরি। অদুবু, অৱাংবা থাক্কী থবক্লিনা অশেংবদুমক খঙববুদি নত্তে। মরোল তিন্নবা মখোয় মশেলগী হায়বা অমদি ফনা হায় শাদুনসু, চিরবা মতমদা শোয়দনমক্কী লৈফম থোকই হায়নবনি। ফিভমসিদা মণিপুরদা, মণিপুরগী তুংদা ওইরক্কদবা ফীভমশিংগীদমক্লি হায়দুনা মীতোপ কনানসু লাক্তুনা ঐখোয়বু খক লমজিং লমতাকপীররোই অমসুং এদভাইসশিং পীবীররোই। পূম্নমকসি ঐখোয় ইশানা শিঞ্জফম থোকপা ঙাক্তনি। হীরমসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী ৱাখল্লোন অমদি থৱায় য়াওবীবগী চাং, কদায়দা লৈরিবনো খঙদে। মথক্তা পঙ্গখিবা মহৈরোয়শিংগী অহুমশুবা থাক্কী ৱাফমদু পুথোকচবা নৎচদে, তশেংনমক মণিপুর লৈঙাক্না হীরমসিদা অশেংবা এদ্যুকেসনেল নৎত্রগা সার্ভিস পোলিসি অমত্তংদি য়াখোকপীদুনা থম্বীবগী মথৌ তাৱা খল্লি। পূম্নমকসি লৈঙাক্কী খূৎতা লৈবা ঙাক্তনি।

মণিপুর, ইরমদমসি শুপ্নগী শৈথাদুনা খক্তা, লোক্তাক্না মিংশেল ওইবা লমনি, কৈবুল লমজাউনা মালেমগী শকখঙনফমনি অমসুং শান্ন-খোৎনবা অমদি মণিপুরী জগোয়না মণিপুরবু মালেমদা শক্তাক্লিবনি হায়দুনা, ইথন্তা পেন্থোক্তুনা লৈথোকপগী মতমদুদি নৎত্রে। ঙসি-ঙসিমক ঐখোয় পূম্নমক, ইশানা ইশাগী ইরৈপাক-ইরমদম্বু ঙাকচনবা অমসুং কঞ্জনবা পান্দমগী মখাদা খোঙ থাংজিনমিন্নরসি। লোয়ননা, ইশা-ইশাগী মহৈ-মশিন্দা ফজরকপা অঙাংশিংবু চুম্নগী ইশাগী অমদি মশা খক্তগী খল্লগা, ফেমিলিখক্কী ওইনা শেম্নবা হোৎনবীবগী মহুত্তা, মণিপুর মীয়াম পূম্বগী ওইনা, অৱাংবা থাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন পায়বা ঙম্বা ওইহন্নবা হোৎনমিন্নরসি।